

# সনালৈবাক স্পোর্টস





রন ৪০ লৌদুনা কোলকটা নাইদ রাইদর্সপু মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বেটচমেন য়ুসুপ পথান

উবর কপকী ওপনিং মেটচতা ইন্দিয়াগী সটলর সাইনা নেহৱালনা জোয়সেলিন কোবু সেট ২–০ দা মায়থীবা পীখ্রে

## সিনাম কোম, টেলৌ, সেক্তা অমদি য়ুম্নাম খুনৌ সাইপো কপ ফুটবোলদা মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* সাইপো কৈবী হৈককমপালনা শিন্দুনা হৈককমপাল অৱাং লৈকাই গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা অহুমশুবা সাইপো কপ সবেন এ–সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা সবেন ষ্টার ব্রাদর্স সিনাম কোম, ই য়ু এস সি টেলৌ, এস এস সি সেক্তা অমদি এস সি ৱাই য়ুম্নাম খুনৌ মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা সবেন ষ্টার ব্রাদর্স সিনাম কোমনা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌবু গোল ৫–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। সবেন ষ্টারগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ নেলসননা ৪১ অমদি ৫১ শুবা মিনিটতা অনী, টি ঐচ অবোই, টি ঐচ জোস্পর অমদি টি ঐচ নিপেন কোমনা মথংশিংৎনা ২৩, ২৪ অমসুং ৫৭ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী গোলশিং অদুনা এম দি ইঙলেন্দ, এ বিনোদ অমদি দব্লিউ কৃষ্ণননা মথংশিংৎনা ১১, ১৪ অমসুং ২৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা ই য়ু এস সি টেলৌনা এম আর সি লম্বোইখুলবু গোল ১৭–১ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। ঈ য়ু এস সিগী গোলশিং অদু কে কিরননা ৪, ৫, ৮, ৩৫, ৩৬, ৪১, ৪২, ৪৪ অমদি ৪৫ শুবা মিনিটতা নিপাল, এল নোকুলনা ৬, ১৫, ৪৮ অমদি ৫৩ শুবা মিনিটতা ৪, কে ইবোতোম্বনা ৫৩ অমদি ৫৪ শুবা মিনিটতা ২ অমদি ৱাই বিদ্যাসাগরনা ৯ অমদি ১১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এম আর সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সি ঐচ অমুদোননা ৩২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা এস এস সি সেক্তানা ৱাই এল ৱাই সি নোংসুম্বু গোল ১১–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস এস সিগী গোলশিং অদু ৱাই লন্দননা ৯, ১৯, ২৮ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা মরি, দব্লিউ ঙৌবনা ৪ অমদি ১১ শুবা মিনিটতা অনী, কে ঐচ নাওবনা ৩৩ অমদি ৩৮ শুবা মিনিটতা অনী, এস মুটেননা ৪৩ অমদি ৪৬ শুবা মিনিটতা অনী অমদি ৱাই নাওবীনা ১৬ শুবা মিনিটতা ১ চনখিবনি। ৱাই এল ৱাই সিগী গোল অনী অদুনা কে লম্ফেল অমদি এ নাওবনা ৩ অমসুং ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা এস সি ৱাই য়ুম্নাম খুনৌনা রোবিন জ্বেলরি পুংদোম্বমবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস সি ৱাইগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু বিবাসননা ৪২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

হয়েং অয়ুক্কী অহানবা মেটচতা গ্রুপ (সি)গী এন এস সি খুন্দ্রাকপমগা ৱাই জি সি ৱাখোংগা অমদি অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ (দি)গী বি দি এস সি পুখাও লাইফমগা পি ৱাই এন কে পৌরাবীগা শান্নগনি।

নুংথিলগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ (দি)গী সাইপো (বি) হৈকক মপালগা সোকর টিম সেক্তা মখাগা অমদি অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ (এ)গী সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌগা কে এম এস এ কৈবী অৱাং লৈকাইগা শান্নগনি।

## টি দি সি (এ)না ৱিন্নর ওইখ্রে



*ৱিন্নর ওইখ্রবা টি দি সি (এ) ময়াংলাংজিংগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং*

FOOTBALL

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* টি দি সি (এ) ময়াংলাংজিং তনিংনা লমশাং পুলিস ষ্টেসনবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীরগা ১১ শুবা মেন্স ওপন সবেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ৱিন্নর ওইখ্রে।

তনিং দিভেলপমেন্ট ক্লব ময়াংলাংজিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ১৪ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তা টি দি সি (এ)গী জেকি চান্দনা গোল ২ চন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইহনখিবনি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু জেকি চান্দনা ৬৭ অমদি ৮০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টোপ স্কোররনা ৱিন্নর ওইখিবা টি দি সি (এ) গী ষ্ট্রাইকর আই সৈত্যসেননা গোল ৭ চন্নগা তাখি। বেষ্ট গোলকিপর অমদি বেষ্ট দিফেন্দরনা টিম অসিমক্কী এম তোনসনা অমসুং এন বিক্রমজিৎনা তাখি। বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা টি দি সি (বি) ময়াংলাংজিংনা তাখিবগা লোয়ননা ফাইনেল মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগী মনানা টি দি সি (এ)গী জেকিচান্দনা তাখি।

## করাটে কিক বোক্সিংদা মণিপুরনা গোল্ড তরেৎ য়াওনা মেদল মাপন ফংবা ঙমখ্রে

KARATE

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* নেস্নেল করাটে ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এন কে এফ আই)গী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্র স্পোর্টস করাটে এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী ১৯ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ইন্দোর ষ্টেদিয়ম কুমতা নাকা সোলাপুরদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা এন কে এফ আই নেস্নেল ওপন করাটে কিক বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরনা গোল ৭ য়াওনা সিলভর মেদল ২ ফংবা ঙমখ্রে।

গোল্ড মেদলশিং অদু চহী ১০ মখা অপীকপগী কে জি ২৬কী ওপন কুমিটেদা ইফম অজাহুদিননা, চহী ১৪ মখা সব জুনিয়রগী কে জি ৫৬ কী ওপন কিক বোক্সিংদা এস দয়ানন্দনা, কাংলুপ অসিমক্কী কিক বোক্সিংগী কে জি ৪০–৪৫ গীদা এম থৌবা সিংহনা, কুমিটেগী কে জি ৪১ দগী ৪৫ গী সব জুনিয়রগীদা এল জনরধন সিংহনা, কিক বোক্সিংগী কে জি ৪৬ তগী ৫০গী সব জুনিয়রগীদা ও সদানন্দা সিংহনা, জুনিয়রগী চহী ১৭ মখাগী কে জি ৫১ দগী ৫৫ গী কিক বোক্সিংদা কে এস ঐচ অমর সিংহনা অমদি কে জি ৪৬ তগী ৫০ গীদা টি বোইচা সিংহনা কিক বোক্সিংদা লৌখিবনি।

সিলভর মেদল ২ অদুনা সব জুনিয়রগী চহী ১৪ মখা কে জি ৩১–৩৫গী কুমিটেদা ইফম বাসিদ অমদি জুনিয়রগী চহী ১৭ মখা কে জি ৪১–৪৫গী কুমিটেদা এম এম ইন্টিয়াসনা লৌখিবনি।

মণিপুর টিম অসি সি ঐচ প্রেমানন্দা সিংহনা কোচ অমদি মেনেজর ওইদুনা লুচিংখি হায়না স্পোর্টস করাটে এসোসিয়েসন মণিপুরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সব জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* খোরি লৈকাই য়ুঠ এসোসিয়েসন নম্বোলনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা এসোসিয়েসন অসিগী ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২ শুবা ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা আই সি এস এ ইরেংবম, গেলেক্সি য়ুরেম্বম, সবেন ষ্টার ইথাই, এস ৱাই বি এ মুতুম ফিবৌ অমদি কে ৱাই ভি এ খোইজুমান মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা আই সি এস এ ইরেংবম্না এস য়ু দব্লিউ সি (বি) ইরেংবম্বু সেট ৩–০ (২৫–২৩, ২৫–২০, ২৫–২৩) দা, গ্রুপ (বি)গী মেটচতা গেলেক্সি য়ুরেম্বম্না কে ৱাই ভি এ খোইজুমানবু সেট ৩–২ (২৫–২৩, ১৬–২৫, ২২–২৫, ২৫–২৩, ১৭–১৫) দা, গ্রুপ (সি)গী মেটচতা সবেন ষ্টার ইথাইনা কে এস আই ইরম সিফাইবু সেট ৩–০ (২৫–০, ২৫–০, ২৫–০)দা অমদি গ্রুপ (দি)গী মেটচতা এস ৱাই দি এ মুতুম ফিবৌনা টি জি ঐচ হৈক্রুজম্বু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ২৫–২১, ২১–২৫, ২৫–২২)দা মায়থীবা পীখ্রে।

নুংথিলদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতনা কে ৱাই ভি এ খোইজুমাননা ঐচ ৱাই দি সি হৈক্রুজম্বু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ২৬–২৪, ২২–২৫, ২৫–১৮)দা মায়থীবা পীখ্রে।

## 'কেনোয়িং এণ্ড কয়াকিং চাউখৎনবা মখল কয়াগী কোচিং পাঙথোক্কনি'

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* ওল মণিপুর কেনোয়িং এণ্ড কয়াকিং এসোসিয়েসননা মশান্না অসিবু হেন্না চাওখৎনবগীদমক অনৌবা থৌশিল কয়া পায়খৎননবা শেম শারি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম্না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি থাংমৈবন্দ হিজম লৈকাইদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টকী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা হায়খিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী লক্ষ্মীবাই নেস্নেল কলেজ ওফ ফিজিকেল ইডুকেসন কেরালাদগী দিপুট তৌরকপা মণিপুরগী নেস্নেল চেম্পিপসিন্সপ কয়াদা গোল্ড মেদল তরেৎ লৌবা ঙমখ্রবা দেবিদ পোৎশংবমগী মীৎয়েং মখাদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোই কয়া পুথোক্লনবা বেসিক ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কনি।

থা অসিগী ২৮ দগী য়ুম্নাম, পাৎলৌ অমদি হৈকক মপাল খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা চহী ১৪ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী বেসিক ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোয়রে। জুনগী তাং ১ দগী ষ্টেট প্লেয়রশিংগী ওইবা রিগুলর কোচিং কংলা মোট ইম্ফাল পাঙথোক্কনি। থা অসিমক্কী তাং ৪ কংলা মোট ইম্ফালদা চহী ১৪ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংগী ওইবা স্পিসিয়েল সমর ভেকেসন কোচিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্কনি। জুলাই থাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা টাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স মোইরাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোইশিং খক্তগী ওইবা রিগুলর কোচিংসু পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মশান্না অসিদা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ওইনা খুমাং চাউশিন্দুনা হৌজিক–হৌজিক চৎলিবনি অদুবু অনৌবা শান্নরোইশিং থোক্লকপগী চাংদি য়াম্না ৱাৎপনা মরম ওইরগা অনৌবা শান্নরোইশিং পুথোকপ দরকার লৈ হায়বগী ৱাখল্লোনদা থৌরাং কয়া অসি পায়খৎনবা হোৎনবনি হায়খি।

## কোলকটা নাইট রাইদর্সনা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদপু ৱিকেট ৭ তা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে

*রাঞ্চি, মে ১৯ঃ* ঙরাং কোলকটা নাইট রাইদর্স অমদি সনরাইজর্স হায়দ্রাবাদ অনীনা শান্নখিবা তরেৎশুবা আই পি এলগী লীগ রাউন্দগী মেটচ অমদা কোলকটানা হায়দ্রবাদপু ৱিকেট ৭ তা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ২০ ৱিকেট ৮ তুরগা রন রেট ৭.১গী চাংদা পুন্না রন ১৪২ লৌবা ঙমখি। ইনিংস অদুদা ওপনর এরোন ফিন্সনা বোল ৮ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ৮ লৌরগা উমেস য়াদবকী বোলদা মোর্কেলনা কেটচ ওক্তুনা আউট ওইখি। মহাক্না আউট ওইবা মতমদা হায়দ্রবাদনা রন ১৪ / ১ দা লৈখি। মহাক্কা ওপনর ওইনা থোকমিন্নরকখিবা সিখর ধৱননা বোল ১৪ দা বাউন্দরি ৪ য়াওরগ রন ১৪ লৌরবা মতুংদা সুনিল নরাইয়নগী বোল অমদা গৌতম গম্ভিরনা ওক্তুনা আউট ওইখি। ফাষ্ট দাউন ওইনা থোক্লকখিবা নমান ওঝানা বোল ২৪ দা বাউন্দরি ১, ওভর বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ২২ লৌরবা মতুংদা অল হসনগী বোলদা য়ুসুপ পথাননা কেটচ ওক্তুনা আউট ওইখি। দেবিদ ৱার্নরনা বোল ১৮ দা বাউন্দরি ৩, ওভর বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ৩৪ লৌরবা মতুংদা উমেস য়াদবকী বোল অমদা য়ুসুপ পথাননা ওক্তুনা আউট ওইখি। ইনিংস অসিদা মহাক্না খ্বাইদগী রন লৌবা শান্নরোইসু ওইখি। লোকেশ রাহুলনা বোল ১৫ দা বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ১৪ লৌরগা পিয়ু চাউলাগী বোল অমদা এল বি দব্লিউদা আউট ওইখি।

ইরফান পথাননা বোল ১৯ দা বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ২৩ লৌদুনা নোট আউটতা লৈখি। দেরেন সামিনা বোল ১৬ তা রন ৭ লৌবগা লোয়ননা অল হসনগী বোল অমদা পান্দেনা কেটচ ওক্তুনা আউট ওইখি। করন শর্ম্মনা বোল ৪ দা রন৪ লৌরগা রন আউট ওইখি অমদি দেল ষ্টেননা বোল ২ দা রন ১ লৌখি। ইনিংস অসিদা সনরাইজর হায়দ্রবাদনা এক্সত্রাদা রন ১০ ফংবা ঙমখি। হায়দ্রবাদকী অহানবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ১৪ লৌখি, অনীশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ৪১, অহুমশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ৬৪, মরিশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ৯৮, মঙাশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ১০৪, তরুকশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ১২৯, তরেৎশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ১৩৮ অমদি নিপানশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ১৪২ লৌখি।

ইনিংস অদুদা কোলকটাগী বোল্লর মোর্নি কোর্কেলনা ওভর ৪ লংবদা রন ৩৯ পীখি, উমেশ য়াদবনা ওভর ৪ লংবদা রন ২৬ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌবগা লোয়ননা খ্বাইদগী ৱিকেট লৌবা বোল্লরসু ওইখি। সুনিল নরাইয়ননা ওভর ৪ লংবদা রন ২১ পীরগা ৱিকেট ১, সকিব অল হসননা ওভর ৩ লংবদা রন ২২ পীরগা ৱিকেট ২, পিয়ুস চাউলানা ওভর ৪ লংবদা রন ২৪ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

সনরাইজরনা থন্নস্লিবা টার্গেট রন ১৪৩ গী পাউখুম পীনবগীদমক্তা কোলকটা নাইট রাইদরনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৯.৪ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৪৬ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখিবনি। ইনিংস অসিদা ওপনর রোবিন উথাপানা বোল ৩৩ দা বাউন্দরি ৫, ওভর বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ৪০ লৌরবা মতুংদা দেরেন সামিগী থ্রো অমদা রন আউট ওইখি। টিম অসিগী কেপ্টেন গৌতম গম্ভিরনা বোল ১০ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ৬ লৌরগা দেল ষ্টেনগী বোল অমদা ওঝানা ওক্তুনা আউট ওইখি।

মনিস পান্দেনা বোল ৩২ দা বাউন্দরি ৩, ওভর বাউন্দরি ১ য়াওরগ রন ৩৫ লৌরবা মতুংদা করন শর্ম্মগী বোল অমদা এরোন ফিন্সনা ওক্তুনা আউট ওইখি। য়ুসুপ পথাননা বোল ২৮ দা বাউন্দরি ২, ওভর বাউন্দরি ২ য়াওরগ রন ৩৯ লৌরগা নোট আউট অমদি রিয়ান টেন দসচাটেনা বোল ১৫ দা বাউন্দরি ২, ওভর বাউন্দরি ১ য়াওরগ নোট আউট ওইদুনা কৃজতা লৈখি। ইনিংস অদুদা কোলকটা নাইদ রাইদরনা এক্সত্রাদা রন ১ ফংখি। কোলকটানা অহানবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ৮, অনীশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ৫৯ অমদি অহুমশুবা ৱিকেট তুবা মতমদা রন ১০৪ লৌখি।

সনরাইজর হায়দ্রবাদকী বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারনা ওভর ৩.৪ লংবদারন ৩৭ পীখি, দেল ষ্টেননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৪ পীখি। করন শর্ম্মনা ওভর ৪ লংবদা রন ১৯ পীরগা ৱিকেট ১ অমদি দেরেন সামিনা ওভর ১ লংবদা রন ৭ পীখি।

Group League

| POS | TEAM | P | W | L | T | NR | PTS | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Kings XI Punjab | 10 | 8 | 2 | 0 | 0 | 16 | +1.015 |
| 2 | Chennai Super Kings | 11 | 8 | 3 | 0 | 0 | 16 | +0.487 |
| 3 | Rajasthan Royals | 11 | 7 | 4 | 0 | 0 | 14 | +0.480 |
| 4 | Kolkata Knight Riders | 11 | 6 | 5 | 0 | 0 | 12 | +0.087 |
| 5 | Royal Challengers Bangalore | 11 | 5 | 6 | 0 | 0 | 10 | -0.270 |
| 6 | Sunrisers Hyderabad | 11 | 4 | 7 | 0 | 0 | 8 | -0.325 |
| 7 | Mumbai Indians | 10 | 3 | 7 | 0 | 0 | 6 | -0.369 |
| 8 | Delhi Daredevils | 11 | 2 | 9 | 0 | 0 | 4 | -1.156 |



*সনরাইজর হায়দ্রবাদকী ৱিকেট লৌবদা হরাওবা ফোঙদোক্লিবা কোলকটা নাইদ রাইদর্সকী কেপ্টেন গৌতম গম্ভির (ময়াই) অমদি মহাক্কী টিমগী শান্নরোইশিং*

## মখোন লাল ভেটরান ফুটবোল টিম তরুক্না শরুক য়ারগা জিরিবামদা হৌখ্রে

FOOTBALL



*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা টিম ৬ না শরুক য়ারগা ৭ শুবা মখোন লাল মেমোরিয়েল ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা দিবোং জি পিনা এল ই সি বাবুপারাবু গোল ৫–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গোল একাউন্টতি এল ই সি বাবুপারাগী কে বিরকুমার সিংহনা ১৩ শুবা মিনিটতা হাংদোক্লবসু মখা তানা দিবোং জি পিনা মখোয়না শোখনা লৈরিবা গোল ১ অদুগী মথক্তা ৪ অমগা চনশিন্দুনা ৫–১ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

দিবোং জি পিগী গোলশিং অদু টি ঐচ রোবিন্দ্র সিংহনা ২৭ অমদি ৫০ শুবা মিনিটতা অনী, এস সুরেশ সিংহনা ৫২ অমদি ৫৭ শুবা মিনিটতা অনী অমদি ৱাই সনাহলনা ৫৪ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। হয়েং নুংথিলগী পুং ২ শুবা মেটচ ওইনা এস এ ৱাই সি সোরোক অতিংবীগা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপারাগা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা জেট ঈ ও জিরিবামগী এ আই স্কুল ওইরিবা কে কাসিরাম সিংহ, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎকুমার সিংহ অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর ওইরিবা তাপোস রোয়না মথংশিংৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট লফ ওনর ওইখি।

## খুন্দ্রাকপম জি পি লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* য়াইফ লমজিং কাংলুপ চিঙারেল টেজপুর ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা কাংলুপ অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা খুন্দ্রাকপম জিলা পরিষদ লেভেল ইন্টর ৱার্দ সবেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা য়ুম্নাম খুনৌ, তাংখম অৱাং লৈকাই,খুন্দ্রাকপ অমদি য়ুম্নাম খুনৌ অৱাং লৈকাই মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা য়ুম্নাম খুনৌনা হরাওরৌ পার্টি টু সম্বেবু গোল ২–০দা অমদি গ্রুপ (সি)গী মেটচতা তাংখম অৱাং লৈকাইনা চিঙারেল টেজপুরবু গোল ৮–২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নুংথিলদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা খুন্দ্রাকপম্না পৌরাবী পার্টি ৱানবু গোল ২–০ দা অমদি গ্রুপ (এ)গী মেটচতা য়ুম্নাম খুনৌ অৱাং লৈকাইনা ঙাইরাংবম সারৌথেলবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখি।

হয়েং অয়ুক্তা গ্রুপ (এ)চী চিঙ্খুগা ৱাইটেনা পার্টি ৱানগা অমদি গ্রুপ (সি)গী সিনামগা শওঙ্কুংগা শান্নগনি। নুংথিলদা গ্রুপ (দি)গী পৌরাবী পার্টি ১ গা খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকাইগা অমদি গ্রুপ (বি)গী খুন্দ্রাকপম প্রধানগা খুন্দ্রাকপ জিলা পরিষদকা শান্নগনি।